টোকিও ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট নিরজ চোপ্রা নুপাগী জেভলিন থ্রোগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২শুবদা লৈখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৩২শুবা জপানগী সিটি টোকিওদা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী জেভলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রা ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ)গী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকপা দিসিপ্লিন অসিগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

নিরজ চোপ্রানা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মনুং চন্না ওগষ্ট ৭ তা পাঙথোকখিবা নুপাগী জেভলিন থ্রোগী কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৮৭.৫৮ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। আই এ এ এফকী মায়কৈদগী ঙসি নৌনা ফোঙদোরকপা নুপাগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টকী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা নিরজ চোপ্রানা পূন্না পোইন্ট ১৩৯৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। নম্বর ৱানদা লৈরিবা জর্মনিগী জেভলিন থ্রোৱর জোহেন্স ভেট্টরনা নিরজ চোপ্রাদগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা পোইন্ট ১৩৯৬ ফংলি।

পনবা য়াবদি, জর্মনিগী জোহেন্স ভেট্টর টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ৯শুবা পোজিসন তাহৌবদগী মেদল ফংবগী খূদোংচাবা ফংখিদবনি। পোলেন্দগী মার্সিন ক্রুকোস্কিনা পোইন্ট ১৩০২ ফংলগা অহুমশুবা পোসিজসনদা লৈরি। অদুগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবা চেক রিপব্লিককী জাকুপ ভাটলেজনা পোইন্ট ১২৯৮ ফংলগা মরিশুবদা লৈরগা, জমর্নিগী অতোপ্পা জেভলিন থ্রোৱর জুলিয়ন ৱেভরনা পোইন্ট ১২৯১ ফংলগা মঙাশুবদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রা মহাক্কী করিয়রদা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স লৈদুনা জেভলিন থ্রো অসিদা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙম্লি। মহাক্না পোলেন্দগী সিটি বিদগোসতা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা মিটর ৮৬.৪৮ লংদুনা হৌজিক ফাওবদা জুনিয়রগী ৱর্ল্ড রেকোর্দথম্বা ঙম্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু মহাক্না হৌজিক ফাওবদা কুমজা ২০১৯গী মার্চ থাদা পাটিয়ালাদা পাঙথোকপা কম্পিটিসনদা মিটর ৮৮.০৭ লংদুনা মশামক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনসু জেভলিন থ্রো ইভেন্ট অসিদা রেকোর্দ থমদুনা লাক্লিবা এথলিটনি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ পীবগী থৌরম টোকিও পেরালিম্পিক এথলিটশিং য়াওহন্ননবা মতম থেংথখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ওইনা চহী খূদিংগী শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ ওগষ্ট ২৯দা পাঙথোক্তুনা লাকপা অদু টোকিও পেরালিম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিটশিংগী য়েংলগা হন্দক চহীগী ওইনা মতম খরা থেংথরগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফোঙদোকখ্রে।

টোকিও পেরালিম্পিক গেমস অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা হৌরগা সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ থৌরমদা মনা ফংগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী সেলেক্সন পেনেলদা মতম খরা ঙাইরগা পেরা এথলিটশিংগীসু য়াওননবা ফোঙদোরকখিবনি।

চহী অসিগী ওইনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ কম্মিটি শেম্বা লোইখ্রবসু পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিটশিং অসিগী পর্ফোর্মেন্সশিং অদু য়েংলগা মখোয়সু এৱার্দ অসিদা শরুক য়ানবগী তাঞ্জা অমা লৌদুনা ওগষ্ট ২৯গী নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ থৌরম অসি মতম থেংথবনি হায়খি।

ৱাফমশিং অসি স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ঙসি নেসনল য়ুঠ এৱার্দস পীবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা ওগষ্ট ২৯ অসিবু হোক্কী মশান্নগী লিজেন্দ মেজর ধ্যান চান্দগী মপোক কুমওনবু নীংশিংলদুনা খেল রত্না এৱার্দ, অজ ুনা এৱার্দ, দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ অমসুং ধ্যান চান্দ এৱার্দশিং অসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা পীদুনা লাকপনি। মখা তানা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়ানা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহীদা ভর্চ্যুএল ওইনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ পীবগী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুগুম্না হন্দক্কী চহী অসিসু পাঙথোকপা য়ানা লৈ হায়খি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ ফংগদবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা নোমিনেসন অদু তাঙ্কক অনী য়ৈথোক্লবা মতুং জুলাই ৫দা লোইশিনখিবনি। শান্নরোয়শিংনা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক লৈবা মরম্না ওনলাইনদা মশা-মশামক্না এপ্লিকেসনশিং অদু থাগৎলক্নবা খঙহনখি। লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুনা মশাগী দিসিপ্লিনশিং অদুগী ওইরিবা নেসনল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী প্রিফরেন্সতি পীরক্কদবনি হায়খি। খেল রত্না এৱার্দতা লুপা লাখ ২৫, অর্জুনা এৱার্দতা লাখ ১৫, দ্রোনাচার্য্য (লাইফ টাইম)দা লাখ ১৫ লোয়ননা ধ্যান চান্দগী লাখ ১০ লৈরি।

নিহাল সরিন অমসুং প্রগনন্ধ য়াওনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৬ অনীশুবা পোজিসনদা পূন্না লৈমিন্নরি

রিগা, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

লাটভিয়াগী সিটি রিগাদা পাঙথোক্লিবা আর টি য়ু ওপন চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর নিহাল সরিন অমসুং প্রগনন্ধ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৬ রাউন্দমরি লোইশিল্লকপদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নিহাল সরিননা মরিশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অর্জুন ইরিগাইসিগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা মখোয় অনীমক পোইন্ট ৩.৫ ফংমিন্নরগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অমরোমদা, রামেশ বাবু প্রগনন্ধনা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় সর্গে পাল্লোবপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা মহাকসু অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন আর বিশকনা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় কৃষ্টাপস ক্রেটাইনিজপু মায়থীবা পীদুনা মহাকসু পোইন্ট ৩.৫ ফংলি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় দি গুকেশনা নোরৱেগী শান্নরোয় বেঞ্জামিন হলদোরসেন মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা পূন্না লৈমিন্নরি। ইন্দিয়াগী এস এল নরায়ননা লিথুয়ানিয়াগী ওলিশ পুল্টিনেভিসিয়সকা দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৩.৫ ফংলি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা অর্মেনিয়াগী শান্নরোয় অরাম হাকোবিয়াননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অভিমন্যু পুরানিকপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি। করিগুম্বা অভিমন্যুনা মায় পাকপা তারল্লবদি মহাক্না পোইন্ট ৪ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরম্বা য়াবগী খূদোংচাবা অমা ফংলম্বনি। অদুবু মায়থীদুনা খূদোংচাবা মাঙখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিগা টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (আর টি য়ু) ওপন চেছ চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অরাভিন চিদম্বরম অমসুং অর্জুন কল্যাননা মখোয় অনী লম্বা তৌনখিবা মরিশুবা রাউন্দ অদুদা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট ৩/৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ১০রকশুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা মখা তাবা রাউন্দশিংদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎলক্তুনা টাইটল লৌবা ঙম্বগী তাঞ্জা চাওনা লৈরি হায়না মশান্না অসিগী ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

আইরন মেন এৱার্দ য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা লৈবা এজটেক্স স্পোর্টসনা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী হীরমশিং অমদি অতোপ্পা হীরমশিংদা থোইদোক-হেন্দোক্না থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়ারিবশিংগীদমক আইরন মেন এৱার্দ ২০২১গী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

আইরন মেন এৱার্দ অসি শান্নবগী হীরম খক্তা নৎতনা অতোপ্পা হীরমশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনা থবক তৌরিবা মীওইশিংবুসু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা পীগদৌরিবনি। এৱার্দ অসিগী মনুং চন্না হোল ওফ ফেম এৱার্দকী ওইনা সোসল এক্টিভিষ্ট অসাং কাসরদা পীগদৌরি। আইরন মেন এৱার্দকী মনুং চন্না ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার, ৰুশু মেন ওফ ইন্দিয়াগী জসোবন্ত কোইজম, কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী উমাকান্ত, এসিয়ন কিক বোক্সিং চেম্পিয়ন এস লেম্বা মৈতৈ, গিনেস ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুম থম্বা ঙল্লিবা ৱাই গোবিন, জুদো মণিপুর টিমগী মেনেজর অমসুং সিনিয়র কোচ দেবেন মোইরাংথেম, কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী কোচ কে পদমেশ্বর, কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেইন্ট সেক্রেটরি গুরুময়ুম দিজমণি, ৱর্ল্ড ইন্টরনেসনল কোন্সেপ্ট মার্সিএল আর্টস সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ডা. জ গদিশ খাট্রি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম রতননি। অদুগা ইমর্জিং য়ুঠ লীদর এৱার্দকী ওইনা ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলগী দিরেক্টর থাংজম নাওবা, জেনিমস হোস্পিটালগী পেথোলোজিগী ফেকল্টি ডা. টি ঐচ শিতলমালা, শীজ হোস্পিটালগী ইন্টরনেসনল রেদিওলোজিগী হেদ ডা. টি ঐচ গৌতম, রাজ্য সভাগী এম পিগী মনাওনুপা এম কে অবুংসনা অমসুং মণিপুরগী মমিং লৈরবা এম এম এ ফাইটর বোঞ্জোবি নোংমাইথেমনি।

মণিপুরগী সী ঐচ রবিশঙ্কর মায় পাকখ্রে, নুপী রেফরি ৪ ওনলাইন কোর্সকীদমক খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা এ আই এফ এফ 'ঈ' সর্টিফিকেট ট্যুটর কোর্সতা মণিপুরগী সী ঐচ রবিশঙ্কর মায় পাক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা এ আই এফ এফনা সেপ্টেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপী রেফরিশিংগী ওইবা ওনলাইন ফিফা/এম এ কোর্সতা য়াওননবা মণিপুরদগী নুপী রেফরি ৪ খল্লক্লে হায়রি।

সী ঐচ রবিশঙ্করনা এ আই এফ এফ 'ঈ' সর্টিফিকেট ট্যুটর কোর্স মায় পাক্লবা মতুং অসিদা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী রবিশঙ্করবু ইন্দিপেন্দেন্ট ট্যুটর অমা ওইনা প্রমোসন পীগদবনি হায়রক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা অম্ফানা মহাকপু থাগৎপগা লোয়ননা তুংদা অফবা থবক থৌরমশিংদা মায় পাক্নবা থৌজাল পীরক্লি।

অম্ফাগী মখা তাবা চেরোল অমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা সেপ্টেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা ওনলাইনদা ফিফা/এম এ কোর্স পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরদগী নুপী রেফরি রঞ্জিতা তেকচম, শিম শিম সর্টো, ঈ দেবলা অমসুং মাইবম রোশিনি চনুবু শরুক য়াননবা খল্লক্লে হায়রি।

নুপী রেফরি মরি অসিনা হায়রিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন কোর্স অসিদা শরুক য়ানবগী অয়াবা অদু থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা অম্ফানা পীরিবা https://bit.ly/37wmMsH অসিদা কনফর্ম তৌরক্কদবনি হায়রি।

মখা তাবা অম্ফাগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপদা ট্রেনিং য়াওরবা রেফরিশিংনা তুংদা লাক্কদবা রেফরিগী থবক থৌরমশিং অদু ক্লেম তৌবা য়াবগী খূদোংচাবদি লৈরোই হায়রি। শরুক য়াগদৌরিবা রেফরিশিংনা মশা-মশাগী ওইবা কম্প্যুটর / লেপ্টোপ/টেব্লেট নৎত্রগা কেমেরা য়াওবা মোবাইল শীজিন্নদুনা জুম এপ্লিকেসনদা শরুক য়াগদবনি। ভিদিও অমদি ওদিও রেকোর্দিং তৌবসু য়ারোই হায়রি।

অতোপ্পা চেরোল অমদা, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ওগষ্ট ২৬তগী ২৯ ফাওবা এ আই এফ এফনা শিল্লিবা রেফরি এসেসরস/রেফরি ইন্সট্রক্টরগী ওইবা ওনলাইন ফিফা/এম এ আর এ/ আর আই কোর্সতা য়াওননবা মণিপুরদগী এম জয়চন্দ্র অমসুং আই রবিচন্দ্রবু খল্লক্লে হায়রি।

অসাম লৈঙাক্না ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লোভলিনা বোর্গোহেনদা লুপা ক্রোর ১ পীবগা লোয়ননা দি এস পিগী ফমসু পীখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

অসাম লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্তুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা বোক্সিংগী লম্দা অমত্তা ঙাইরবা মেদল ফংবা ঙমখিবী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেনদা লুপা ক্রোর ১ গী মনা পীবগা লোয়ননা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ফমসু খূৎশিন্নখ্রে।

ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা শ্রিমন্তা শঙ্করদেব কালাক্ষেত্রদা ওলিম্পিয়ন লোভলিনাবু ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মনা লুপা ক্রোর ১গী চ্যেক অদু শিন্নখি। লোয়ননা বোক্সর অদুদা লৈঙাক অদুনা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ফমসু পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোভলিনা বোর্গোহেনগী মমিংদা গুৱাহাটিদা লৈবা লম্বী অমা মিংথোল্লগনি। লোয়ননা গোলাঘাটতা মহাক্কী মমিং লৈরগা ষ্টেদিয়ম অমসু শারগনি হায়খি। লোভলিনা বোর্গোহেন ঙসি অয়ূক গুৱাহাটিগী লোকপ্রিয়া গোপিনাথ বোর্দোলোই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মা মশামক য়াওনা ওকখিবনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী করিয়রগী অহানবা ওলিম্পিক শরুক য়ারকপদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমহৌদবা অদুগীদমক্তা লোভলিনা বোর্গোহেননা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। লোভলিনানা ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা এম সী মেরি কোম অমসুং বিজেন্দরগী মতুংদা ওলিম্পিক মেদল ফংবা অহুল্লকশুবা বোক্সর ওইরি।

রোহন বোপানা অমসুং ইভান দোগিক টোরোন্টো টুর্নামেন্টকী কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, অনকিতা রাইনাসু অতোপ্পা টুর্নামেন্টতা ফজরি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

কানাদানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি টোরোন্টোদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৩,৪৮৭,৯১৫গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি টোরোন্টো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় রোহন বোপানানা মহাক্কী প্যের ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিককা শান্নমিন্নরকপদা কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা য়ু এস এগী লেন্দিসভিলদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনকিতা রাইনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

রোহন বোপানা অমসুং ইভান দোগিকনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি কার্টর ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী সাইমোন বোলেলি অমসুং অর্জেন্টিনাগী মেক্সিমো গোঞ্জালেসকী প্যেরবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

য়ু এসকী সিটি লান্দিসভিলদা পাঙথোক্লিবা আই টি এফ ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা কালিফায়র অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা মহাক্কী ইন্টরনেসনল টেন্নিস টুরগী দবলসকী পার্টর মেক্সিকোগী রেনাটা জারাজুৱাগা অহানবা রাউন্দদা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ষ্ট্রেট সেট ২দা মহাক্না রেনাটাবু ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুং চন্না টুনিসিয়াগী মোনাষ্টিরদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১৫,০০০গী মনা লৈবা আই টি এফ ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় ভুবানা কলভা অহানবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী জস্মিন ওর্টেনজিগী মখূৎতা ৩-৬, ৪-৬তা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা শান্নরোয় স্মৃতি ভাসিন য়ু এসকী নেফেদোবাগী মখূৎতা ১-৬, ১-৬তা মায়থীখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 199

GM Abdumalik, Zhansaya (2505) - IM Assaubayeva, Bibisara (2389)
FIDE World Cup Women 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.16

1.e4 c5 2.Nc3 d6 3.d4 cxd4 4.Qxd4 Nc6
5.Qd2 g6 6.b3 Bh6 7.f4 f5 8.Bb2 Nf6
9.Bd3 Qa5 10.exf5 Bxf5 11.Nge2 O-O-O 12.O-O-O Rhe8
13.Kb1 e5 14.Bxf5+ gxf5 15.Qd3 exf4 16.Qh3 Bg5
17.Rhf1 Re3 18.Rf3 Rde8 19.Nc1 Kb8 20.Rxd6 Qc5
21.Rd3 Nd4 22.b4 Rxf3 23.gxf3 Qxb4 24.a3 Qc4
25.Rxd4 Qxd4 26.Ne4 Qg1 27.Nxf6 Bxf6 28.Bxf6 Qe3
29.Bb2 a6 30.Qh5 Rd8 31.h4 Ka8 32.Qg5 Re8
33.Qg2 Qe1 34.Qg5 Qe3 35.Qh5 Rd8 36.Nb3 Qg1+
37.Bc1 Qd1 38.Qxh7 Qxf3 39.Qxf5 Qh1 40.Qf6 Rc8
41.Nd4 Qd1 42.Qxf4...

QUESTION :
White to win

Puzzle 198 Ans. :

48. ...Be6 49.h8=Q Bxh8
49. ...e1=Q 50.Qh2+ Kc1 51.Kg5 Qe5+
51. ...Qe4 52.Qh5 Qe3+
52. ...Qf5+ 53.Kh6 Qf6+ 54.Kh7 Qg7# Damiano's bishop mate
53. Kh4 Bf6+ 54.Qg5 Qxg5# Damiano's bishop mate
54. ...Bxg5+

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লনহৈ বেঙ্কশিং অমদি শেল শান্দোকপশিংনা শেন্দোই খোম্বা হৌরক্লিবসি খরা খজিক থুমন্দ্রা?

ঙরাং নহান্দবু ঙাইরি কোভিদ-১৯ লাইচৎশিংনা ঈশিং ইচাওগুম পোজিটিভ ওইবা মশীং অমদি শিবগী মশিং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা লৈঙাক্না টোটেল কর্ফিয়ু থমখিবা। লাইচৎ অসিগী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খাঙলিক্লিবসি থা অহুম খরা হেল্লব্রা হায়না খল্লি। অদুবু নোংমা-নীনিশিদা শিবগী মশিং অমা-অনীদং ওইরবসু হন্থরক্লিবসি ইরমদমগী লৈঙাক্নসু মীয়াম খম থেংনা ৱানরে হায়দুনা অয়ূক-নুংথিলগী কর্ফিয়ু কোমথোকপীরকখি। মী খুদিংমক খুবাক্তা থৱায় থল্লগা করি করম তৌসিগে খন্নবতা মঙাইরি। হৌজিক ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বিশিংসু পোৎফম ফম্নবা নৎত্রি, অদুগা নোংমগী খুৎশুমল তাল্লগা হিংজবা মী খুদিংমক শুফম-নোমফম থিংজিন্দুনা লৈরি। মী খুদিংমক করি তৌশিগে খনবদা তৌফম খঙদনা লৈনরি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা থা অহুম খরা হেল্লক্লবা মতম অসিদা মী খুদিং শিকি অমত্তা থোক্তনা য়ূম-য়ূমদা লৈনরবা ঙাক্তনি। অদুগা অথিংবা কোমথোকপা নোংঙান্দ্রিঙৈদা লন্নাই বেঙ্কশিং অমদি লন্নাই শেল শান্দোকপশিংনা শেন্দোই খোম্বগী থৌওংসিদি মাঙদা তারিবা লৈবাক্কী অৱাবসি করিমত্তা উদবগী মওং মাল্লি। অৱাবা অসিগী য়েংবিরগা মতম খরা লৈরগা তপথনা শিন্দোক-শিঞ্জিন য়াবা ঙাক্তনি। অসিনসু মীনা য়েংবদা লৈবাক মচা তাবা মানগনি। শিংফম থোকপা ওইরবসু শুরগা চাজবশিংদি হান্না থবক শুবা হৌবদা ইমুংগী হান্না য়েংদবা য়ারোই।

❒ আইশো মোইরাংথেম, থৌবাল অৱাং লৈকায়

পোলিটিকেল পার্টি অমদি মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদ্রবদি কোভিদ লায়না লাইচৎ কৈদৌনুংদা মুথৎপা ঙম্লোই

কোভিদ-১৯ লায়চৎ মায়োক্নবদা মীয়াম অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা খুৎশম্নমা চৎমিন্নবা ঙমদ্রবা কোভিদ লাইচৎ ঐখোয়না কৈদৌনুংদা মায়থিবা পীবা ঙম্লোই। কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইরগা লায়রবা লৈতবনা মশিং হেল্লক্লবা ইরমদমসিগী ইমুং খরদা পুকচেল চাওবা অঙম্বা অমনা শেলগী নৎত্রগা চিঞ্জাক্কী মতেং খরা পাংবা উবদা কনাগুম্বা পোলিটিক্স তৌবা মীওই খরনদি অফবনি হায়না খনবগী মহুৎতা অশাওবা উৎপসু য়াওরি। লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ফম মচাশিংদগীনা অচৌবা ফাওবগী মীওই কয়া অমসু পোলিটিক্সতা য়াওশিন্দুনা লৈঙাক শৌগৎপা অমসুং শৌগৎপা মানবা কাংলুপ অনী থোক্লা লৈ। য়াম্না শাথিরিবসি লৈঙাক শৌগৎপা মানবা অসিনি। থবক থাদোক্তুনা তশেংনা পোলিটিক্স য়াওদুনা তৌবসু তৌদা, মীয়ামদা মীনমদুনা লান্না লমজিংবগী থবক তৌদুনা লৈ। লৈঙাক্না থাজনা মীয়ামগীদমক অথু-অকায়গী ৱা তান্নবা মশাগী দোক্তরশিং, মৈগী, ঈশিংগী অমসুং অতৈ অতোপ্পা মরুওইবা লোইশঙ খরগী হেল্প লাইন টেলিফোন নম্বর কয়া অমা মীদিয়াদা হাপ্তুনা খঙহল্লি। অদুবু মীয়াম্না মথৌ তাবদা হায়রিবা টেলিফোন নম্বরশিংদা ফোন তৌরুবদা পায়খৎলোই। পায়খৎলকপা য়াওরবসু অফবা পাউখুম তাবা ফংলোই। মরম অদুনা কোভিদ লাইচৎ মুথৎপগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মীপুম খুদিং কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবদুনি হায়বা লৈঙাক্তা থাজবা লৈরবা অতৈ অতোপ্পদা কোয়থোক্তুনা কোভিদ ভেক্সিনেসন লোমদা মায় ওনশিনবিরো। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ইরমদম অসিদগী মুৎখিদুনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙমগনি খল্লি।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৮।২০২১ ইং, ইরাই, নুংথিলগী পুং ১.৪২ ফাওবা থৱানগী ৫নি পাল্লি, মতুং ৬নি পাল্লনি।

মেষ : নীংবা থুংবা, মরুপ-মপাংগা লোয়ননা পাঙবা থবক থৌরমদি শোয়দনা মায় পাকচবা অমদি শেন্দোং তানবদা কান্নবা লৈ। ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ : য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি অহৈ-অশিং শাবনা হেন্না থৌপনবা নুমীৎনি। অদুবু মিংচৎ অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবদি লৈগনি। লনসু চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

মিথুন : মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি নচা-ননাই চাউখৎপা নুমীৎনি। অকোনবদদি মাঙবা য়াবা অমদি হুরানবনা মাঙহন্নবা হোৎনবদি লৈগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট : হকচাং নুংঙাইগনি, লল্লোন-ইতিক কান্নগনি, মীচঙ খোম্বগী থবক্তা চাওনা মায় পাকচগনি। পল্লম্বা শেল ফংগনি। মীকোক থোংবদি ৱাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ : য়েৎপদি কোকচগনি, ইমুং-মনুং নুংশিনবা হেনগনি অমদি লৌশিং তানশিনবা মায় পাক্কনি। ৱাফংনবদি চোপ্পা য়াবা লৈ-ফিংদবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা

কন্যা : হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং ফংবা অমদি থেংলপ্নসু মীয়ামগী মতেং ফংজবা নুমীৎনি। মীৱা লৌরবা অমদি হৈপা শারবা মাঙজগনি-পংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা : হোয়া ফবনা মাঙজবা অমদি হন্থবা লোয়নবনা খূদোংথীবা য়াবা লৈ। থৌয়াম পুগনু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি। লৌশিংদি চাওবনা মীনা লাকচরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক : শক-চু থোক্না মীকোক থোংবা ঙমদ্রবসু নীংবা থুংগনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, থৌনা লৈবনা থৌপাংগনি অমদি পোরম য়াৎপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু : য়েৎপদি হান্নগুম খরা লৈ অমদি লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাদ্রদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। অদুবু কান্নবদি ফংগনি, লাইবক ফবনা অনীংবসু পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর : থবক্কী লম্দা মায় পাকপগী নুংঙাইজবা, মীয়ান্নসু চানবীবা অমদি হৈ-শিংবনা নচাক-নরল চাউখৎপা লৈ। শকখঙদবা লোয়নগনু -অকিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্বা : কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। অরুবা ৱরেপসু লৌবা য়াগনি অমদি ৱারবসু মরুপ-মপাংগী মতেংদি ফংগনি। অশাওবা ফাথবনা পামদবা থৌদোক থোক্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন : নীংবা থুংবা নুমীৎনি, লল্লোন-ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংগনি অমদি ইমুং- মনুং নত্রগা মরুপ-মপাংগী মতেংনা অরং-অরাক ফংজৌ হায়বা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com